**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 24-09-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুনা চিং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা চিংমাং বমদিয়ারগী মচিন-মনাও চিংদা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। মদুদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদা-মেগজিনগা লোয়নবা এস.এল.আর. নোংমৈ অমা, আর.পি.জি. সেল অনি, আর.পি.জি. সেল চার্জর অনি, হাই এক্সপ্লোসিপ থারতি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা, ৱার্কি টৌকি হেন্দ সেট অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া অমসু য়াওরি।

অসাম রাইফল অমদি চুরাচান্দপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনসু চুরাচান্দপুরগী গাংপিজাং এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদা থারতি আইট এম.এমগী গ্রেনেদ লোঞ্চর অমা, টুয়েল্ভ এম.এমগী সিঙ্গল বেরেল রাইফল তরুক, লোং রেঞ্জ হেভি মোটোর অহুম য়াওরি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মনিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, চেরোল অসিনা হায়-মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে নম্বর টুদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিং ইম্ফালোমদা পুশিল্লক্লি।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা ইম্ফালদা লমলক্কী শা-উচেক লল্লোন্নবা হোৎনরম্বা মীওই অমদি শাশিং ফাগৎখ্রে।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী চেরোল অমনা হায়-ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট ৱাইল্ড লাইফ

ৱার্দেন অমদি দি.এফ.ও. সেন্ত্রেলনা লমলক্কী শা-ষন লল্লোনবা হোৎনরম্বা মীওই অদুগী মথক্তা লুপা লাখ অনিগী শেনফম ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক্টকী সেক্সন ৫৪ গী মখাদা ফাইন থিহন্নবা খঙহনখ্রে।

লমফেল পুলিসনা ফারবা মীওই অদু মোরে ৱার্ড নম্বর ফোরদগী হৌজিকনা লাঙ্গোল গেমস ভিলেজ জোন ফোরদা লৈবনি। ফাগৎলবা মীওই অমদি শাশিং অদু রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার-সদর ৱেষ্ট রেঞ্জ সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনদা খুৎশিন্নখি। মীওই অসিনা মহাক্কী ময়ুমদা বেন্দেদ পাম সিবেট (হেমিগেলস দরবিয়ানস) অমসুং হ্বাইট ব্রো ব্লেক রঙ্গুর (ত্রেজিপিথেকস লাউতিয়ানস) হায়বা শা মখল অনি অসি মহাক্কী ময়ুমদা থন্লম্বনি। হায়রিবা শা মখল অনি অসি ৱাইল্ড লাইফ সেদ্যুল ফোর এপেনদিক্স টুগী মনুংদা চনবা শাশিংনি। হায়রিবা শাশিং অসি মপান লৈবাক্তগী পুশিল্লকপা ওইবা য়াই হায়না থাজনরি। ফাগৎলবা শাশিং অদু নীংথিনা থমবগীদমক মনিপুরগী জ়লোজিকেল গার্দেনগী ওফিসিএলশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

**তমেংলোং (এল)ঃ** স্বার্চতা হি সেভা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট-তমেংলোংনা শিনদুনা ঙরাং তমেংলোংগী হাইপৌ জাদোনং পার্কতা ৱেষ্ট টু আর্টকী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি মরুওইনা ফত্ত-হৌদিশিংবু নীংথিনা রিসাইকল তৌদুনা অফবা মওংদা শিজিন্ননবা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। ৱেষ্ট টু আর্টকী অথোই অহেনবা তান্নবা অদুদা মকোক মথং তারবশিংদা মথং থাগী অনিদা মনা-মথুমশিং জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা য়েন্থোক্কনি।

**সোংহ (এল)ঃ** নুমিৎ নিনি চুপা চথরকপা ষ্টেট লেবেল ফেষ্টিবেল ওফ মনিপুরি ফোল্ক সোং ঙসি লোয়শিল্লগনি। থৌরম অসি কেন্দগী কলচর মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা ফিদমনা শিনদুনা ইম্ফালগী জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমীদা

পাঙথোকপনি।

**নোনে(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা নোনে জিলাগী তুপুল গভরমেন্ট হায়স্কুলদা মহৈরোইশিংগী এসে রাইটিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখ্রে। মহৈরোইশিংদা লিটরেরিগী ৱাখল্লেনা হেনগৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপা কম্পিটিসন অদুদা মহৈরোই ৫০ হেনবনা শরুক য়াখি। থৌরমগী লোয়রকপদা কম্পিটিসন অদুদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**মীখল ঃ** জম্মু অমসুং কাশ্মির বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদনরগনি। তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ২৬ তা ভোট থাদনগনি।

যুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী মীখল তাঙ্কক অহুম থোকা পাঙথোক্কনি। মীখল অসি নিয়ম চুমা অকি-তুজং য়াওদনা পাঙথোকবা মপুং ফাবা শেম শাবা লোয়রে। তাঙ্কক অসিদা ভোটর লাখ ২৫ লিশিং ৭৮,০৯৯ মীরেপ ২৩৯ গী মরাইবক লেপকনি।

মরক অসিদা, তাঙ্কক অমখক্তংদা পাঙথোক্কদৌরিবা হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবকসু খম থেংনা কল্লে। সিট ৯০ লৈবা বিধান সভা অসিগী মীখল মথং থাগী মঙাদা পাঙথোক্কনি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা দল অসিগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোমখি।

অমরোমদা, কংগ্রেসকী লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-ভুপিন্দর সিংহ হুদারনা অম্বালা সহরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা কংগ্রেস দলগীদমক ভোট খোমখি।

**ফোর-জি ঃ** কেন্দ্রগী কম্যুনিকেসন মন্ত্রি-জ্যোতি অদিতিয়া সিন্ধিয়ানা হায়রি-মথং চহিগী অহানবা থা তরুক ফাওবগী মনুংদা ফোর জি মোবাইল টৱার লাখ

অমা য়ুংনবা সরকারনা পান্দম থল্লি।

মহাকা হায়-সরকারনা থল্লিবা পান্দমগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা ফোর জি মোবাইল টৱার লিশিং ৩৬,৫৭৪ য়ুংবা ঙমখ্রে। এন.দি.এ. সরকারগী অহুমশুবা টার্মগী অহানবা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা মহাক্কী মন্ত্রালয়না পায়খৎখিবা থৌরম থৌরমশিংগী মতাংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সিন্ধিয়ানা হায়-ভারত অসি ফাইব জি খ্বাইগী য়াংনা শিজিন্নবা লৈবাক অমা ওইরক্লি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা ফাইব জি বেটচ ত্রান্সসিবর ষ্টেসন লাখ মরি মখায় লিংখৎপা ঙমলে। মন্ত্রিনা হায়-অনৌবা টেকোলোজি অসিনা লৈবাক অসিগী জিলা পুম মক্তা খুদোংচাবা পীদুনা খুঙ্গংগী লমদা চাদা ৯৭ অমদি ফোর জিনা লৈবাক অসিগী মীশিংগী চাদা মীওই ৮০ গী চাংদা কোনশিনবা ঙমলে।

**কম্মনৱেলথ ঃ** নুমিৎ নিনি চথুগদবা ১০ শুবা কম্মনৱেলথ পার্লিয়ামেন্টরি এসোসিয়েসন (সি.পি.এ) ইন্দিয়া রিজনগী মীফম ঙরাংদগী ন্যু দিল্লিদা হৌখ্রে।

মীফম অদুদা সি.পি.এগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা সভাপতি ওইনা শরুক য়ারি। মীফম অসিগী থিমনা 'লৈবাক অসিগী তুং কোইনা চাউখৎপা পুরকবা হোৎনবদা লেজিসলেটিব বোদিশিংগী দায়ত্ব' হায়বসিনি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী বিরলানা হায়-হোংলক্লিবা ফিভমশিং অসিগী য়েংলগা মীয়ামগী অপান্বশিং থবক্তা পাঙথোকবা হোৎনবদা লেজিসলেটিব বোদিশিং হেন্না মপাঙ্গল কলহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এন্টি-জন্তা ফোর্সশিং ইন্দিয়ানা ৱা খন্ননবা বার্ত্তন তৌখিবা, অঙাং পুবা গাড়িশিং ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিসনা দ্রাইব চথুরকপা অমসুং অমজ় অমদি ই.জি.এমনা ই.জি.আইগী মথক্তা থাংগৎলকখিবা ৱাকৎ সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টে

তৌখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

এন্টি জন্তা ফোর্সশিং ইন্দিয়ানা গমরমেন্টনা ৱা খন্ননবা বার্ত্তন তৌখিবগী পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-এন্তি জন্তা ফোর্সশিং ইন্দিয়া গভরমেন্টনা কৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফমদনা-ম্যান্মারদা মিলিটরি জন্তাগী মায়োক্তা লৈবা পোলিটিকেল অমসুং মিলিটরি ওপোনেন্টশিং ইন্দিয়ানা ৱা খন্ননবা বার্ত্তন থাখ্রে হায়না হেদলাইন তৌরি।

বেঙ্ক ওফ বরোদাদগী ক্রোর মরিগী সনা হুখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা ফাগৎলবা মরি হয়েং কোর্টতা পুথোক্লগনি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

পোকফমদা-ই.জি.আইনা সি.জি.এমগী ওর্দর ইনবগী মহুৎতা সুপ্রিম কোর্টতা কেস থাংগৎলক্লে। সি.জি.এমগী ওর্দর চৎনহনখিদ্রে, অমজদা নোটিশ থারক্লে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। অমজ অমদি ই.জি.এমগী ৱাকৎ সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টে তৌখিবগী পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, মনিপুর ন্যুজ অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

স্কুল ভেনশিংগী মথক্তা দ্রাইব চথবগী পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মনিপুরি এদিসন, মনিপুর মেল, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, মনিপুর ন্যুজ অমসুং সনা লৈবাক পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-স্কুলগী ভেনশিংদা অঙাং মশিং হেন্না পুবশিং দ্রাইব হৌখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট শিনবা থুংনা দ্রাইব চথরগনি। লাইসেন্স ককথৎকনি হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেল, তমেংলোং টাইমস অমসুং হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা

ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-প্রাইম মিনিস্তরদা দিল্লিদা বেজ তৌবা মনিপুরগী লুপ অহুমগী ৱাকৎ চেরোল-মীচমশিং ঙাক শেনবীয়ু অমসুং খুৎলায় পায়বা কুকি টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপিয়ু হায়বা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরগী লানদা লাংমৈদোং, লাইমনাই অমসুং তেজপুরদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রবা মতুং কম্বাইন ফোর্সনা কোম্বিং চখখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-ইন্দিয়ান মিলিটরি অমসুং সেক্যুরিতি এজেন্সিগী মরক্তা কো-ওর্দিনেসন লৈত্রবরা হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-কুকি মিলিটেন্ট ৯০০ মনিপুরদা চংশিনখ্রে হায়বা ইন্দিয়াগী ওইনা মীপায়নিংঙাইনি, সেন্টরনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী চয়েৎনবা লোয়শিনগদবনি হায়বা বি.এস.এফকী এক্স দি.জি-প্রকাশ সিংহগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-সিনথেতিক তফ ফুটবোল গ্রাউন্দ শেমগৎপগা মরী লৈননা য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী শেংদোক ৱারোল অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-সনা লৈবাক্তা ইন্দিয়াগী অহানবা মংকি পোক্সকী পোজিটিব কেস থেংনরে হায়বা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।